ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, সেপ্টেম্বর ২৯, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৮৩শুবা মশীং

# মণিপুরবু করি ওইনা উবনো
## ফজনা হায়নীংদে, মতুংদা তৌগনু

সেপ্টেম্বর ২৪, ২০২২দা ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনংগী পোক্লফম ওইরিবা কম্বীরোলগী লম্বী অমগী মপান্দা ৮৭শুবা বট্টালিয়ন সেন্ত্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী পর্সনেল অমনা বোম অমা প্লান্ট তৌনবা হোৎনরম্মী হায়রিবা থৌদোকসিবু অচুম্বা ওইরমগদ্রা? বোম অদু সী আর পি এফনা ৩৯শুবা অসাম রাইফলসকা লৌতুনরগা প্লান্ট তৌনবা হোৎনরম্বনি হায়বা ৱাফমসু সী আর পি এফকী পর্সনেল অদুবু হকথেংননা ফাখিবা মফমদুগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকই হায়না চীংমী লূপশিংনা ফোঙদোরক্লি। করিগুম্বা থৌদোক্তুনা অচুম্বা অশেংবা থৌদোক ওইরবদি মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্স অমসুং কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন্স (সী আই-ওপস) তা মতেং পাংনবা লাক্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অসিনা মণিপুরবু করি ওইনা উবনো হায়বগী ৱাহং হংলক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? মণিপুরদি কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০২২দা মথংশিৎনা লিংলকখিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শীংথানবা য়ানা ফগৎহল্লে। লোনা য়াদবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংগী থবক-থৌরমশিং হন্থহল্লে। মহৌশাগী মীয়ামগী ঈংবা-চিকপা হঞ্জিল্লক্লে হায়দুনা লাক্লিবনি। তাল্লকসিদা মণিপুরগী মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক শেনবদা ষ্টেট ফোর্সপু মতেং পাংনবা লাক্লিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা পব্লিক প্লেসতা বোম ফূম্নবা হোৎনরক্লগদি মপান্দগী লাক্লিবা ফোর্সশিং অসিনা পাল্লিবসি করি ওইরমগদগে? লালহৌবা ময়াম্না ওপরেট তৌবা ষ্টেটনিনা হৌজিক ফাওবা মখোয়গী এক্টিভিটিশিং লেপ্তুনা চত্থরি। মীচম মীয়াম অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অকাইবা-অয়েৎপা পীননবা থৌওংশিং চত্থরি। অদুগা মপান্দগী লাক্লিবা মখোয়না মদুবু থিজিন্নবা হোৎনরি। থিদোক্তুনা মীয়ামগী পুন্সি কল্লি হায়বা উৎতুনা ক্রেদিট লৌননবা অমসুং মকোক থোংবা ওফিসরশিংনা চানবীনবা, থাগৎ ৱাহৈদগীনা রিৱার্দ ফাওবা ফংননবা হোৎনরকপা মওইরমগদ্রা? মসিমক ওইরম্বসু য়াই। নৎত্রগা লালহৌবশিংবু মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা অমুক্কা হেন্না লান্না উহন্নবা থৌশিল ওইরম্বসু য়াই।

ওইনীংবা ওইসনু। অদুবু বোম অদু প্লান্ট তৌবদা হকথেংননা থেংনদুনা ফাগৎহৌবগী ফবগী ৱানি। থেংনহৌদদনা নীংথিজনা প্লান্ট তৌরম্বা থোক্লবা অদুগা প্লান্ট তৌশিল্লন্নিবা মখোয়নসু মথৌ মশক খঙবা শাদুনা থেংনরে, লৌথোক্লে অমসুং মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়বা নংদ্রিঙৈদা পোকখায়রক্তুনা মনাক নক্লবা মীচম মীয়াম শোকপা, শিবা য়াওরম্লগনা কমদৌবা? মস্বাইদদি হান্নদগীসু লৈরক্লবা, হৌজিকসু অদুম্মক মচি লেঙদনা লৈরিবা ৱাফম অমা হেক্তা চোঙথোরকই। মদুদি মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মণিপুরবু ঙাক শেনবগী মরুমদা ষ্টেটসিগী মীয়ামদা থৌওইনা 'জেনোসাইদ' কি হিংচা য়াইতম্বগী ৱাখল্লোন চেন্দুনা মণিপুরগী মীয়ামদা মীওৎ-মীনৈ চত্থরগা লোইশিন্নবা হোৎনরব্রা হায়বসিনি। ৱাফমসি মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মমাঙথক্তা চত্থখ্রিবা থৌওংশিংদুগী মতুংইন্না হায়বনি। অদুগুম্বা থৌদোকশিংদুসু য়াম্না তাঙনা অনী-মরিদং থোকখিবসু নত্তে। ওপার অমা থোকখিবনিনা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না মখোয়বু নুংশিবা ঙমদ্রিবনি। মতম অমদা সিফাই ময়াম তোংবা গাড়ীশিং লমজাও সরক্তা চৎখিবদা পীক্লিবা অঙাংশিংনা হৌনরুবা তৌদনা মখোয়দা ওনশিন্দুনা খূৎ হাইরম্বদু হৌজিক উখিদ্রবনি। মসিমক মখোয়না লৈবাকসিগী খূৎলায় পায়বা লান্মীশিং ওইদুনা য়েক্লবগা লম্বা ফাওবা পাদ্রিঙৈ মশাগী ময়ূমদা মায়থীরবা লান্মীশিং ওইরবনি হায়বসি খঙজগদবনি। হন্দক্কী থৌদোকসি তরাই তরাই লৌবা চুল্লোই। হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনবুদি সেপ্টেম্বর ২৬, ২০২২দা এয়রপোর্টতা অরুনাচল প্রদেশকী তেজু ফাওবগী ফ্লাইট সর্ভিস হৌদোকখিবদা এ দি জি পি অমনা লুচিংদুনা থিজিল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু শুরু-শুরুদা লোইশিনখিনু। মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা নোংমৈ-বোম ফারে, মীদি নান্থোকখ্রে হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফারে হায়খিবা মীয়াম্না থাজনদবা থৌদোকশিং ফাওবা লৈখ্রবনি। মখোয়দা লৈরম্বা মীয়ামগী থাজবা উৎকী মপৈ ওইনা ওনখিবা থেঙ্খাং য়ামশিল্লক্লবনি। কম্বীরোলগী থৌদোক্তুনা অচুম্বা ওইরম্লগদি মফমদুগী খুঞ্জাশিংদা নত্তনা মণিপুরগী মীয়াম্না 'লমশি শিদৌবশা' হায়দুনা চৈ থাংলক্লোইদবগী মরম লৈব্রা?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১) "**মণিপুর গৌর লীলা**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "**মনোরমা**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "**অপীকপা নুংশা শ্বর**" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) "**ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু**" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৯২
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মতমগী হোংলক্লিবা মীওইবগী ৱাখল, খুন্নাইগী ফীভম কয়া অসিনা মরম ওইদুনা হান্না লৈরম্বা চৎনবী খরা ঐখোয় হোঙদবা য়ারক্তে। মতম অমদা লীলা য়াওবা মীশিং অসি মরু ওইনা য়াম্না হকচিন্না কৈসু লৌরমদে। হোই মখোয়গী পর্ফোর্মেন্স কয়া, মখোয়না শেমগৎ শাগৎলম্বা কয়া অদুবুদি মীয়াম্না ঙসিসু এপ্রিসিএট অদুম তৌরি। ঐ ইশামকসু লাই ওইখ্রবা অহল লমন কয়া অদুনা তৌবিরম্বা, থম্বীরম্বা কয়া অদুবু থম্মোয়দা চেৎনা থাগোন্নজরি। অদুবু মদুনা মখোয়গী আর্টকী মায়কৈ অদুগী ৱানি। অদুবু অতম্নমা মীওই খুদিংমক্তা পঞ্জবদি নত্তবদা, খরা অমদি মীয়ামগী পুন্সিরোলদগী খজিক নাথৈবা মানবা থৌওং খরসু উজদবা নত্তে। মতমদুদা লীলা শানবা চৎপা হায়বসিমক্তবু ট্রান্সপোর্টেসনগী খুদোংচাবা লৈরম্বা নত্তে। সাইকল অমদা অনী/অনী তোংশিন্নরগা, মায়কৈ মায়কৈগী ওইনা পরিং ওইনা মরী-মরী লীলা শান্নবা চৎনখিবনি। ইশম শম্না থবক শুবা কাঙবুনা ময়ূম থাদোক্তুনা লংফৈ চৎপগুম্বনি। মতমদুগী আর্টিষ্টশিংসু লীলা শান্নবা থোকখিবদগী য়ূমদা হঞ্জিন্দনা মরী-মরী মথং-মথং খুল অমদগী খুল অমদা অসুম অসুম চৎখিবনি। মখোয়না লীলা শান্নবদু নুমিদাংদা শান্নরম্বনিনা, অয়ূক নুংথিলগী মতমদদি মখোয়না থুংলুরিবা খুল অদুগী লীলা অশিন অরাং তৌরিবা কনাগুম্বা অমগী মমাঙ শঙ্গোইদা নৎত্রগা মফম ৱায়োং চাবা অমদা পূন্না ফমদুনা লৈনবা ঙাকনি। শাংলবা মতম অদুদা মখোয় কৈদৌদুনা লৈগনি। অদুনা মতম লেনবা ওইনা জ্বার শান্নদুনা অয়াম্বদা লৈবগী ৱারী ঐখোয়না খুল খুলদগী ফংজবা পাউদা তাজে। অদুগা লৈখিদ্রবা অহল লমনশিং অদুনসু অসুম্না ৱারী লীবিরমখি। খরা অমনা লৈকায়দুগী মী খরগা মান্নরগা, গঞ্জা শেমদুনা থকপা, য়ু থক্তুনা মতম লেনবা কয়া অমসু য়াওরিবনি। হোয় লোইনমক্তি ওইরমদবা য়াই, খরা অমদি অদুম্না তৌরম্বগী ৱারী ৱাখোঙ য়াম্না ময়েক শেংনা লৈখি। মসি পঞ্জরিবা অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমগী ৱানি।

অদুগুম্বা কয়া অদুনা লীলাগী কাঙবু অসি খরা ৱায়োং চাদনা উবীবা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। শুমাং লীলানা য়াম্না মপাঙ্গল কনখৎলবা মতমদসু অদু মঙাই। লীলাগী ওফিস লীংদুনা পাওনা বজারদা লৈনরবা মতমদা অয়াম্বা মতমদা লীলা পার্টিগী ওফিস খরদদি জ্বার য়াম্না তোয়না শান্নে। চাক চানবা, পার্টি তৌবগী চৎনবী য়াম্না তোয়না উরকই। কনাগুম্বা খুদক্কী লীলা কৌবা লাকপশিংনা ওফিসতা চঙলকপা মতমদা মখোয়না তৌরিবা কয়া অদু মমিৎমক্লা উহৌবা কোঙ্গাই অমা লৈ। অদুনা শান্নরিবা লীলাবুদি নুংঙাই হায়না থাগৎনরবসু অশেংবা আর্টিষ্টশিংদুগী পুন্সিরোলদদি মীয়াম্না পামজদবা থৌওং কয়া চত্থবদুনা মরম ওইরগা লীলাগী কাঙবু অসি শিংথানরকপা মতমদদি খূৎ থেকপা হেক হেক কাউবদৌনা তৌই। মসি ঐখোয়গী মতমদা শেমদোকপা হায়বসি ঐগী মাঙদা তাদুনা লৈবা অমনি হায়না লৌবসি থোইনা লান্দবরা হায়না খল্লি। অদুননি মমাঙদা ঐনা পঞ্জখিবদু। লীলা আর্টিষ্ট অমনা ওফিসতা অহিং য়ারেক্তুনা য়ারিমখৈ লৈতনবা হোৎনজখি। তঙাইফদবা লম অরাপ্পগী আর্টিষ্ট য়াওরকপদুনা লৈবনা অমা ওইরগা, য়ারিমখৈদি ময়ূম ময়ূমদা লীলা লৈতবা মতমদা হনবীনবা হোৎনজখি। লীলা পার্টিগী ওফিসতা য়ু থকচিনবা, চাক চানবা, জ্বার শান্নবা অমত্তা য়াহল্লমদে। মদু করিগুম্বা তৌরম্বা তারবদি মদুগী দমক মখল কয়াগী পেনালটি শেমদুনা থমখি।

কনাগুম্বা আর্টিষ্টশিংগী মনুংদা ঙাওশিন্নবা চিঞ্জাক ফত্তবা চাবা য়াওরক্লবদি নোংমগী লীলা অমা শান্নরুবগী মাগী ফংফম থোকপা শেনফম অদু পীদনা ঐনা পায়শিন্দুনা থম্লগা, নোংঙাল্লগা ময়ূম ময়ূমদা চৎলগা মখোয় মখোয়গী নুপীদা, মমাদা নৎত্রগা য়ূমগী মীদা পীবসি ঐনা কন্না চত্থরকখি। মদু য়ূমগী মীওইশিংনা হরাওজরবসু লীলাগী আর্টিষ্ট অদুনদি ঐবু য়াম্না ৱারৌখি। মসি ঐগা লীলা পূনমিন্নরম্বশিংনা লোইনা খঙবনি। লৈখিদবশিংসু য়াওখ্রে, অদুবু মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা হৌজিক হংলগসু অশেংবা ঐনা তৌজখিবদু শোয়দনা নীংশিংলমখিগনি। মদুনা অরেম্বদা শেল মাঙহন্দবা, অরেম্বদা চাদিং হেন্না তৌথোক্তুনা ইমুং মনুংগী অৱাৎ অপাদা মেন্নবা হোৎনবা মসিগী হেবিট অমা ঐখোয় থমসি হায়বসি ঐনা কন্না হায়জখিবনি। মদুগী মরকসিদা, ঐহাক মতমদুদা গভর্ণমেন্ট সর্ভিস তৌজবনা মরম ওইরগা, মতমদুদা ঐখোয়গী ওফিসতা সী পি এফ হায়দুনা অমা লৈরম্মী, কন্ট্রিব্যুটরি প্রোভিদেন্ট ফন্দ হায়বনি। থাগী তোলোপতগী শেনফম খরা কল্লগা মদু মশা মশাগী একাউন্টতা হাপ্তুনা থম্লগা ওফিসনসু মদুগী শেনফম হাপপীরগা হয়েং থবক তোক্লবা মতুদা পেন্সন স্কিম অমা ওইনা ফংনবগী পান্দমনি। হৌজিকপুদি সী পি এফতু জি পি এফ হায়না ওন্থোকখ্রে। মদুগী মওংদা লীলা অমা শান্নবদা ফংলিবা শেনফমদগী লুপা ৫/৫ কল্লগা পি পি এফ একাউন্ট অমা বেঙ্কতা হাংলগা দিপোজিৎ তৌশিল্লি। অদুনা লীলা চৎলক্ত্রবা মতম, নোংচিং তারকপদা শেল থুমগী অৱাৎ অপা লাকপদা য়াম্না মতেং ওইনখি। মদুগী কান্নবা ঐগা পূনমিন্নরকপা আর্টিষ্ট খুদিংমক্লা ঙসিসু কাউবিরমখিরোই। মমৈদদি মদুগী কান্নবদু মুন্না খঙলক্তুনা শো অমা শান্নবদা লুপা ৫০/৫০ ফাওবা কক্তুনা একাউন্টতা হাপচিন্দুনা থমখি।

লীলা শান্নবা লাকপদা য়ুনম নম্বা য়ারমদে। লীলা মফমদা য়ু থকপা য়াদে। মরুপ মপাং থেংনদুনা থক্লবসু মদু করিগুম্বা খঙলবদি ফাইন ওইনা লুপা ৫০দগী ১০০ ফাওবা কক্কনি। য়ু হায়বসি পার্টিগী ওইনদি মপূং ফানা থিংখি। মদু য়ানীংদবা আর্টিষ্ট য়াওরবসু ঐনা রুল অমা ওইনা শেল্লবনিনা ইন্দবা য়াদদুনা ময়াম পূন্নমক্লা ইনবিখি। লীলা খক্কী ৱা নত্তনা থাগী ওইনা ঐখোয় মতম মতমগী থোরকপা সোসল ইস্যু অমদি প্রোব্লেম কয়াদা নৈনদুনা ৱা খন্নখি। মদুনা আর্টিষ্ট অমা ওইনা মতমদুদা থোকপা ইস্যু খুদিংমক্তা হেন্না মমুৎ তানা খঙনবা অমদি মদুগী সোল্যুসন অমা থিবদা ঐখোয়গী ওইবা সাইকোলোজিকেল এক্সর্সাইজ অমা তৌবনি হায়না লৌখি। মদু আর্টিষ্ট লোইনমক্লা ইন্টরেষ্ট লৌবদি নত্তে। অদুবু খরদি মরু ওইনা পার্টিসিপেট তৌখি। মদুনা এনি দিবেট অমদা একাদেমিকেল্লি শরুক য়াবা ঙমহল্লি। আর্টিষ্ট অমা ওইরবদি মদুগুম্বদু য়াম্না মরু ওই হায়না ঐনা খঞ্জখি। অদুনা ৱাফম অদু লৌখৎতুনা ইস্যু কয়াদা য়ূম্ফম ওইরগা নৈনবনি। মসিদা নত্তনা আর্টকী ওইবা হীরম কয়াদসু লৌখৎতুনা নৈনবগী থবকশিং পাঙথোকখি। খরা অমদি মদুগুম্বা শেলসু ফংলোইদবা কান্নদবা মতম মাঙহনবনি হায়না য়াম্না ৱারৌনবসু য়াওখিদবা নত্তে।

মসিখক্তা নত্তনা লীলা শান্নবা চৎপা মতমদা মীনা ঐখোয়গীদমক কা হেন্না ৱাবীদুনা ঐখোয়গী চাক ঈশিং থোংবীবনচিংবা কয়া অদু ঐখোয়না পামজখিদে। ঐখোয়না চাজগদবদু ঐখোয় ইশানা খরা ঙন্না চৎলগা থোংজসি হায়না হৌদোকখি। মদু ঐখোয় থবক ওইনা পাঙথোকখি। নুংঙাইরিবদি চাক থোংবসি ঐখোয়না রোষ্টর অমা শেমখি। নুমিৎ নুমিৎতুদা তাবা মীশিংদুনা চাক থোংগনি। মসিনা ঐখোয় খুদিংমক তঙাইফদনা হীরম খুদিংদা হৈতবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অদুসু য়াওরি, লোয়ননা মীঙোন্দা ঐখোয়গীদমক হেন্না অৱাবা পীবা অদুসু কল্লি। কোন্নথংদবুদি ঐখোয় লীলা মফমদা চৎলগা চাক থোংবা, চাবনচিংবা অসিসু মতমগী মতুংইন্না তোকখি। লীলা ঙন্না চৎলগা, ঙন্না হৌরগা য়ূমদা ঙন্না হন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। অদুনা চেরিটি শো মক্তা ওইরবসু য়াম্না থেংনা লীলা হৌবা, পুং ৯দা হৌগনি হায়রগা পুং ১২গী মতুংদা লীলা হৌবগী চৎনবী অদু থুগাইরকখি। হায়নবা মতম চপ চানা লীলা হৌনবা অকনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। অহানবদদি ময়াম্না য়াম্না শাউখিবনি। অদুবু কোন্নথংদদি মখোয়গী পার্টিদি মতম চপ চানা লীলা হৌবনি হায়বা শন্দোকখিদুনা মফম খুদিংদা মতম চানা চানা লীলা হৌবগী চৎনবী অসিসু ঐহাক্লা য়াম্না কন্না হৌদোকচখিবনি। মদুনা কান্নহল্লিবসি, লৈকায় অমদা লীলা তৌবদা থেংনা লীলা য়েংবদগী য়াহৌ থেংবা, অঙনবা অয়ূক্তা তৌগদবা থবক কয়া নংদবদগীসু কল্লে। অদুগা আর্টিষ্টশিং অদুগী ওইনসু মতম চানা লীলা হৌবদুনা কা হেন্না ৱাবদগী কল্লে। মসি নাকল অনীমক্তা ইকান্দা কান্নবনি হায়না ঐনা লৌজখি। লীলা য়াওবা, লীল তোকপা, তোক্লিংবা মতমদা হেক্তা তোকপা অসিনা মরম ওইরগা লীলাগী ওর্গনাইজেসন অদুনা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অদু ঙাকথোক্লবা অমদি তোক্কল্লিবা আর্টিষ্ট অদুগী ষ্টেটস অমদি মহাক্কী দিগ্নিটি অদুসু কন্নবা, মতম চানা লীলা তোকপা, মরম চাদনা তোক্কে হায়দনবা অকূপ্পা কাঙলোন কয়া অমসু ঐনা শেমদুনা চৎনবা হৌখি। লীলা চৎপগী মতম, লাকপগী মতম, লীলা তিন্নবা (রিহার্সেল) মতম চানা লাক্লবা হোৎনবা, লীলা তম্বা মতমদা চৎনগদবা কাঙলোন কয়া শেমদুনা ময়ামদা অনৌবা হৈনবী অমা থম্নবা কন্না হোৎনজখি। মদুনা পার্টি খক্তগী ৱা নত্তনা মখোয় মখোয় পুনশিন্দুনা মতমগী মমল হেন্না খঙহন্নবা থৌরাংশিং অসি লৌখৎপনি। অনৌবা হেবিট অমদা পুশিন্দুনা আর্টিষ্টশিংগী অশেংবা মশক অমা শাগৎনবা হোৎনজখি। অদুবু মতমদুদা য়ানীংবা খরা, য়ানীংদবা খরা হায়দুনি। অফবা থবকনি হায়রবসু য়ানীংদবা কয়া অদুনা মরৈ মরাং তৌনরক্তুনা অপনবা কয়া পীখিদবদি নত্তে। অদুগুম্বা কয়া অদুসু মরী মরী নীংশিংলক্লি। অদুবু পনবদা নুংঙাইতবা খরদি মন্থোকচরগা, ৱারী ওইবা য়াবা খরা অদু মীয়ামদা থমজবনি। ●

# লাইরিক হৈরগা থবক ফংগনি হায়বগী মতমদো হৌখ্রে

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

মমাঙঙৈদা লাইরিক হৈরগা, লাইরিক য়াম্না ৱাংনা তম্লগা থবক অমা শোয়দনা ফংগনি হায়বগী চৎনবী অমদি অচুম্বা লৈরম্বদো ঙসিগী মেছিন, রোবোট অমদি দিজিটেল এজ সিদদি য়াদ্রে। মরম অসিননি ঙসি ইন্দিয়াদা বেচেলর, মাষ্টর, এম ফিল অমদি ডোক্টরেট দিগ্রী ফাওবা পায়রবা মহৈরোয় কয়া থবক ফংবা ঙমদনা ককঙাওননা লৈরিবা। মসি ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক/মরিপুরদনা অমুক্কা হেল্লি চাং ৱাংবসি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি হায়রিবা দিগ্রী পায়রবা মহৈরোয়শিং অসি অয়াম্বনা মানা মানা পামজবা হীরমদুদা থবক তৌবা য়াবগী স্কিলস অমদি ৱর্ক এক্সপরিএন্স লৈতবা নৎত্রগা মখোয়গী মহৈদুগা চান্নবা থবক লৈতবা অদুননি। মেদিকেলগী লম্দা অতোপ্পা লৈবাক কয়াদগী দিগ্রী ফংলবা মহৈরোয় কয়া অমসু লৈরি থবক ফংদনা। ময়ামসু তম্লে হায়দুনা ইশা ইশাগা চান্নে-চান্নদে, ইন্দিয়াদা নৎত্রগা ইরমদম অসিদা চান্নে-চান্নদে, থবক ফংগনি ফংলোই খন্থদবীদা শেল পায়রে হায়দুনা মিং থোক চনশিল্লগা মতম লেনবা ওইনা তম্বা অদুনদি থবক ফংবা ওইথোক্তে, মরু ওইনা থবকসু অদুক লৈতবা অমদি শেঞ্জা থুমজানা লাইচুরবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা।

মসি হায় হায়দুনা ঐখোয় লাইরিক তম্বা, মহৈ তম্বা তোক্লসিরা হায়না লৌবদি লানগনি। তৌবতবু, ইন্দিয়াদা নৎত্রগা ইরমদমদা কান্নবা, চান্নবা, ঐখোয় ইশা ইশানা পামজবা, ইশা ইশাগা চান্নজবা, হৈনজবা হীরম খঙদোক্তুনা তমসি হায়বনি। লোয়ননা মহৈ তম্বা হায়বসি থবক্কী খক খন্দুনা তম্বসু য়াদে। অদুবু তমগে হায়না তম্লবদি ৱাখল লৌশিংসু ওইহৌবা, থবকসু তৌবা য়াবা অদুগা ঐখোয়গী খুন্নাইদসু করিগুম্বা কান্নবা খরা তৌবা, পীবা ঙম্নবা তমসি হায়বনি। খুন্নাই অমা চাওখৎপ চাওখৎতবা হায়বসি খুন্নাইদুদা লৈরিবা মীয়াম্না লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংদুনা অচুম অরান, অফ-ফত্ত নীংথিনা খঙদুনা ৱাখল নীংথিনা খনবা ঙম্লবকান্দতা ওইথোক্কদৌরিবনি। ঐখোয়গী খুন্নাইদা ৱাখল নীংথিনা খন্থবা ঙম্বগী চাংসি য়াম্না নেম্লি, মহৈ তম্বগী চাংসি ৱাৎপনা। মরম অসিননি ৱা অমত্তা ঙাঙনবা য়াদ্রিবা, থবক অমত্তা চুংশিন্ননা তৌমিন্নবদা ৱানা থোক্লিবা।

লাইরিক লাইশু হৈরবা নহারোলশিংনা মতৌ করম্না থবক ফংবা ঙমগদগে হায়বগী হীরমদা থিজিনলিবা অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থবক তৌবা য়াবগী চহী শুরবা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহারোল কয়াদা থবক তৌবদা চঙবা স্কিলস অমদি ৱর্ক এক্সপরিএন্স লৈতে। অদুগা মালেমগী ওইনা থবক তৌবা য়ারবা মহৈরোয় চাম্মগী মনুংদা য়াঙ্খে (৫০%) দি থবক তৌবা য়াবগী হৈশিংবা (স্কিলস), ৱর্ক এক্সপরিএন্স লৈতে হায়না মশা মশানা লৌজে। লোয়ননা মহৈরোয় চাম্মগী মনুংদা হুম্ফু (৬০%) দি মখোয় মখোয়না পাল্লিবা থবক্তুগী মতাংদা করম্বা কম্পেনিদা থবক তৌগনি, কদাইদা থবক কৌরি, মীওই কয়া লৌগনি অমদি থা থাগী সেলরিনা লুপা কয়ানো হায়বনচিংবগী মরমদা করিসু খঙদে। কোর্পোরেট অমদি কম্পেনি মপু তরাগী মনুংদা মপু মরি অমনা (৪০%) অসুম্না ফোঙদোক্লি মদুদি থবক লৌবগী ইন্টরভিয়ু তৌবদা থবক তান্নরিবা নহারোলশিং অসি থবক তৌবা ঙম্বগী টেলেন্ট, স্কিলস অমদি ৱর্ক এক্সপরিএন্স অমত্তা লৈতে হায়না।

মরম অসিননি টাইৱানগী মহৈশঙ কয়াদা হায় স্কুল তম্বা হৌরকপদগী মখোয় মখোয়না পামজবা হীরমদা মহৈ তমহন্দুনা হীরম হীরমদুদা তৌগদবা থবকশিং থবক ওইনা তম্বীরিবা (প্রেক্টিকেল স্কিলস)। লোয়ননা, থবক্কী এক্সপরিএন্স লৈহৌনবা হায়দুনা থা অহুমগী, তরুক্কী অমদি চহীগী ওইবা প্রেক্টিকেল কোর্সশিং (ইন্টর্নশিপ) তৌহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মহৈ তম্না তম্না পার্ট-টাইম থবক তৌবা অসিনসু মখোয়না প্রেক্টিকেল স্কিল কয়া তম্বা, ইন্টর্নশিপ তৌবা অদুগী মথক্তা পার্ট-টাইম তৌদুনা ৱর্ক এক্সপরিএন্স অমুক লৈহল্লি। মতৌ অসুম্না প্রেক্টিকেল ওইনা মহৈ-মশীন তম্বীবা অসিনা মহৈ তম্বা হেক লোইবগা থবক অদুম লায়না ফংহল্লি। অদুবু ঐখোয় ইরমদমদদি হায়রিবা স্কিলশিং অসি তমগে হায়রবদি লাইরিক তম্বা লোইরগা তোঙান্না অমুক মতম চঙনা তম্বা মথৌ তারি। অসুম্না প্রেক্টিকেল ওইনা তমদবনা ইরমদমগী মহৈরোয় অয়াম্বনা বেচেলর, মাষ্টর, পি ঐ দি দিগ্রী পায়রবসু থবক তৌবা ঙম্বগী টেলেন্ট, স্কিলশিং অমদি ৱর্ক এক্সপরিএন্সনচিংবদি অয়াম্বনা য়াওদে।

মরম অসিনা, ঐখোয়গী হৌরক্লিবা নহারোলশিং অসিনা তুংদা ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ওইনা তৌগেরা, প্রাইভেট নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌগেরা মদোম লেপচদুনা হিংবা ঙম্নবা করি তৌবা তাই হায়বগী ৱাহংসি লূম্না লৌবা মথৌ তারি। লাইরিক তম্বগী মীং চনবদা, মরু ওইনা সিনিয়র হায় স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা মীং চন্দুনা মখা তমথগে খল্লবদি ইশা ইশানা পাল্লিবসি করিনো, ইশা ইশানা করম্বা হীরমদা হেন্না হৈনৈ, চান্নে, করম্বা থবক তৌবা পাম্মী, ঙমগনি অমদি মখোয়না লৈনীংলিবা মফমদুদা থবক ফংবা, তৌবা য়াবগী ওইথোকপা লৈব্রা লৈতব্রা হায়বনচিংবা ৱাহংশিং অসি হংলবা মতুংদা মীং চনগদবনি। মীং চনশিল্লগা কোন্না করম্বা থবক তৌগনি খনবগী চৎনবীদো হৌজিক্কী মতমসিদদি য়াদ্রে।

রিসর্সকী মতুংইন্না ঙসিগী মালেমসিদা থা খুদিংগী থবক তৌবা য়াবা নহারোল মিলিয়ন তরা তরা (লাখ ১০) থোরকই অদুবু থবক মিলিয়ন তরা তরা থা খুদিংগী পুথোকপদি লৈত্রি, লৈসু লৈরোই মরু ওইনা মেছিননা, রোবোটনা মীওইবগী মহুৎ শিল্লক্লবা মতমসিদা। মেছিন অমদি রোবোট শীজিন্নদুনা পোৎচৈ শাবা, হাপচিনবা, পেক তৌবা অমদি সর্ভিস ইন্দষ্ট্রিদা হায়বদি রেষ্টুরেন্টস, হোটেল অমদি ষ্টোরনচিংবা মফমশিংদা রোবোটশিংনা থবক তৌবগী মশীংসি চহী ২০ মুকসিগী মনুংদা শরুক অনী থোক্লা হেনগৎলক্লি (double fold)। মসিনা মরম ওইদুনা মীনা তৌগদবা থবক কয়া মেছিন অমদি রোবোটনা মহুৎ শিন্দুনা তৌরকপনা মীওইবদা থবক পীবগী চাংসি অসুম অসুম হন্থরক্লিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঙসিগী নহারোলশিংনা মমাঙঙৈদা তৌনরম্বগুম অতোপ্পসু কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি তম্লে হায়দুনা ৱাখল মুন্না খন্থদবীদা পন্থুং অমদি মঙাল য়াওদনা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা মহৈ মখা পংতম তমথবা হায়বসি থবক্কী লম্দা মতেং করিসু ওইরোই। মরম অসিনা ঙসিগী নহারোলশিংনা মহৈ মখা তমথনীংবা থোক্লবদি য়াম্না মুন্না তরেৎ তরা থোক্লা খন্থদুনা, নৈনদুনা, হংনদুনা তমথগদবনি।

লোইশিল্লকপদা, ঙসিগী নহারোলশিংনা লাইরিকপু হৈরবদি থবক ফংগনি হায়বগী ৱাখল্লোল অমদি মীনা তম্লে হায়দুনা মঙলান অমা য়াওদনা লাইরিক মখা পংতম তম্বগী হৈনবীদো থাদোকপীরো। ঙসিগী দিজিটেল, মেছিন অমদি রোবোটকী এজ অসিদা ইদোম লেপচবা ঙমগে হায়রবদি সাইন্স অমদি টেক্নোলোজিগী লম্‌সিদা খঙজিন হৈজিনবসু য়াম্না মথৌ তাই। কম্প্যুটর শীজিন্নবগী স্কিলশিং তমশিনবা য়াম্না কান্নবা লাক্কনি। কম্প্যুটর অমদি দিজিটেল টেক্নোলোজি য়াওদনা হিংবা য়ারক্তবা মতম ওইবনা হায়রিবা হীরমশিং অসি খঙজিল্লিবমখৈ হেন্না কান্নবা ওইরক্কনি। মমাঙঙৈদা লাইরিক হৈত্রদি মীৎ তাংবগা চপ মান্নে হায়নরম্বদো ঙসিদি দিজিটেল অমদি কম্প্যুটর টেক্নোলোজি য়াওদ্রবদি উনা উনা মীৎ তাংবগা চপ মান্নে হায়নরিবনি। হীরম অমা হেক্তা ওইসনু, দিজিটেল অমদি কম্প্যুটর স্কিলশিং অসিমদি খঙজিন্দবা য়াদ্রে। লোয়ননা, ইন্টরনেসনল মার্কেটতা চাউনা শীজিন্নরিবা ইংলিস, চাইনিজনচিংবা লোলশিং নীংথিজনা হৈজিনবদা য়াম্না কান্নবা লাক্কনি। নহারোলনা য়াইফরসনু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।